# লংথোক্লুরবা কলচর খুনগৎসি-২

## শুমাং কুম্মৈদা নুপী লীলাগী ঈচেল

**- টিঐচ ইনাও -**

মখল কয়াগী থৌদোক ৰাথোক, ক্রাইম, পোকপা, শিবা তোঙান-তোঙানবা টেক্নিক শীজিন্নদুনা উৎপা য়াবা উৎলিবা সিন নত্তনা অতোপ্পা মালেমগী ফুরুপকীফাও উৎপা ঙম্বা আর্ট ফোর্ম অমনি মণিপুরগী শুমাং কুম্মৈ (শুমাং লীলা)। কুমজা ১৯৮০ অদুৰাইদগী হান্না লৈরম্বা মচৎতগী অহোংবা খরা লাকখ্রবসু হোংলক্লিবা অসিনা অনৌবা মহাও, মথেন ওইদবা নত্তে। করম্বা মহাও হান্নগী ফোর্ম অদুগী মথক্তা ওকেষ্ট্রা ময়াম হাপচিল্লকপা, হান্নসু ঈশৈ শকইদি হায়ববু ফিল্মগী মওংদা অহেনবা আর্ট এক্টিং হাপচিল্লকপা অসিনচিংবা কয়ানি। অমনা ওকেষ্ট্রাশিং অসিনা হোংলক্লিবা ৰারীগী মতুংইন্না এরোপ্লেন পাইবা, হেলিকোপ্টর, উচেক-ৰায়াগী মখোল, নোংমৈ মখোল, বোম পোখায়বা, থুকৎপা, অৰাবা মুদগী সিন ম্যুজিক্কী সেতিংনা পীরক্লিবা তাহলিবা অনৌবা মহাওনি হায়দবা ঙমদে। দে-তুদেগী শেৎনা চান্নরিবা ফিজোল অসিদি কৎচানি অদুক্কী মতিক দিজাইন, লূবা নানবা হায়নিংঙাই লৈতে। মণিপুরগী শুমাং কুম্মৈনা কয়ামুক মপাঙ্গল কনবগে হায়ববু ফিৎ ১৮গী স্কৱার ওইবা এরিয়া অমদা পুমকোয় কোয়না য়েংলিবা মীয়াম আর্টিসকী এক্ট, চুনবা ফিজোল ওকেষ্ট্রাশিংনা পীরকপা ম্যুজিক্কী সেতিংনা য়েংলিবা পূন্নমক্কী পূক্নিং ৰাখল পুমহোং হোংহনবা ঙম্লিবনি। লৌবুক লম্মাং, চীংয়া-তময়া, সমুদ্র মপান, ৰারফিল্ড রেসতোরা ওইনিংবা ওইহনবা ঙম্বা ঐখোয়গী আর্ট ফোর্মনি। পূন্নমকসিগী মথক্তা দাইরেক্টরগী, এক্টরগী হৈশিংবনা ষ্টেজ ফম্বাক্তা লীলাগী ৰারীনা নমদুনা ফিজোল হোংদবা য়াদদনা সারি অমা শেৎনা শেৎনা সারি অমা হোংবদা পূন্নমক্কী মীৎয়েংদা অকায়বা থোক্ত্রবা, মওং মরিন তানা অশোয়বা ফিজোল ওইহন্দবা ঙম্লিবনি, “মেম সাহেবকী সারি” পূন্নমক্লা নীংশিবিব্রা? ঙকইকো পুমঙক। সারিনা ফিজোল ওইবা ফুরুপগী নুপী অমনা ফাওবা ঙম্লোয়। থমজনিংলিবদি অদু য়ৌনা হৈ-শিংলে, থাক লৈরে হায়বনি । অদুবু থাক অসিদা শুমাং কুম্মৈ মুৎখিবা য়ানা লৈরে, শীথরে হায়নরক্লিবনি। সেমিনার ফাওবা তৌদুনা নৈনরিবনি। মদুগী মরমসু চাউনা লৈরিবনি। অসিগুম্বা পার্ফোমিং আর্ট অসিগী পরম পরা নৈনজরোই পূন্নমক্লা খঙবীবা ঙাকনি। আর্ট ফোর্ম অসিগী এক্ট্রেস কাঙবুদি নুপানা শাবা ঙাক্তনি। মসিগী মচৎ পূন্নমক লমদমসিগী ঙসি অমদি ঙরাংগী মীৎয়েংনরিবা পূন্নমক্লা খঙই। ৰাফমসি পুশিঞ্জরক্লিবগী মরমদি মণিপুরগী শুমাং কুম্মৈ মণিপুর খক্তদা শান্নদ্রে ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা নোর্থ ইষ্টকী মফম অয়াম্বা দিল্লি, মুম্বাই, কোলকতা, চেনাইদা য়াম্না তোয়না নত্রবসু শান্নবনা মরম ওইদুনা নীংশিংজবনি। মণিপুরগী গভর্ণর ওইরম্বা পানিগ্রিহি গভর্ণরগী বংকেৎ হোলদা মণিপুরগী শুমাং কুম্মৈ য়েংই প্রোগ্রাম অমগী মনুং চন্না। তোঙান তোঙানবা সিটিশিং অসিদা শান্নবদা মফম মফমদুগী মীৎয়েংলোইশিংনা হংনরকপা ৰাহংগী মতুংইন্না কুম্মৈশিংদা নুপীগী রোল লৌরিবশিংসি নুপা ঙাক্তনি হায়র-ফাওবদা মীৎয়েংলোইশিংনা থাজদদনা মশক য়েংগে হায়না মিদিয়া কাঙবুনফাও হংনরিবনি। মণিপুরগী শুমাং কুম্মৈ ইন্দিয়ানশিংনা য়েংনরক্লিবসিগী মরমসু লৈরম্মী। মণিপুরগী পোলিটিসিয়ান অমা ইন্দিয়ান পীপল থিয়েতর এসোসিয়েসন (ইপতা) গী মরু ওইবা মেম্বর ওই। মণিপুর চেপ্টরগীনা চ্যেরমেন লোয়ননা তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসন ময়াম অমা লোয়নবগা জগোয় ঈশৈ লীলা কলা প্রমোৎ তৌনিংবা মীওইগা ওইবনে ময়ামসি ইপতাগী প্রোগ্রামদা হেক হেক পুদুনা চৎলি। মসিনা ওইবা তাই ইন্দিয়ানশিংনা কুম্মৈশিং য়েংখিবসি।

ৰাফমসি পন্দবা য়াদদনা পঞ্জবনি মরমদি কনাগুম্বা অমনা গাইদ তৌবা নত্রগদি আর্ট ফোর্ম অসিনা মথক্তা পঞ্জখ্রিবা মফমশিংদুদা উৎলম্লোই। য়াম্না নুংঙাইবা ৰারী অমনি ঐখোয়গী শুমাং কুম্মৈসিদা অতোপ্পা ফুরুপ্পা পীবা কমেন্ট, অতোপ্পা চেপ্তর অমদা তমজগে। ঙসিগীদি হান্নগী ৰারী পরিংদুদা অদোমগী পূক্নিং ৰাখল চিংশিঞ্জরি।

মণিপুরগী শুমাং কুম্মৈ লীশাং শিংনা চত্থরকপনা কুমজা ১৯৭৫দগীদি নুপী কাঙবু, লীলা কাঙবু অনী থোরক্তুনা মখোয়গী মফম কল্লরে। নুপী কাঙলুপ অনীদুদি : লাইনিংথৌ ঈশিং চাইবা নুপী লীলা কাঙলুপ, ইম্ফাল ৱুমেন আর্টিস এসোসিএসন, অনীমক খ্বাই নাগা মপালগী কাঙবু ঙাক্তনি। অহানবা নুপী লীলাসি লাইনিংথৌ ঈশিং চাইবা লীলা কাঙবু অসিনা লাইনিংথৌ অসিগী কুমজা হরাওবগী নুমিদাংগী প্রোগ্রাম অমা ওইনা অহানবা লীলা লাইনিংথৌগী লাইমাংদা শাফোংই। হায়রিবা কাঙলুপ অসিদগী পোল্লকখিবনি ইম্ফাল ৱুমেন আর্টিস এসোসিএসন। থংনবা কুমজা ১৯৭৬ চহীসিদা ষ্টেট কলা একাদেমিনা শিনবা লীলা ফেষ্টিবেল নুপী কাঙলূপসু য়াওদুনা পূন্না পাঙথোকই। চহী অদুদা বেষ্ট এক্টর, এক্ট্রেস লীলা কাঙলূপ য়ামজদ্রবসু নুপী লীলা কাঙলূপ্তুগী বেষ্ট এক্টর লৌখৎলি। অসুম্না থংনবা কুমজা ১৯৭৭তগীদি নুপী লীলা কাঙলুপ ময়াম থোরক্তুনা নুপীতগী ওইবা ফেষ্টিবেল পাঙথোকপা হৌরকপদুনা ঙসি ফাওবা পাঙথোকলি। মসিদা ঙাওজরিবা কাঙবুনা মীয়াম্না য়েংবা য়েংদবা, পাম্বা পামদবা হিংলি হায়বদুদি তাক্লি। অইবসু লৈরি । কাঙলুপ খরগী মমীং পল্লবদা- খাগেম্বা নুপী লীলা কাঙলুপ, শগোলবন্দ, নুপী লীলা কাঙলুপ, শীবা জত্রা হৈরাংগোয়থোং পনবা য়াই। ঙসিদি আর্ট ফোম অসিদা ঙাওজবা নুপী মশীং হেনগৎলকপা হায়গদ্রা কাঙলুপ য়াম্লকপনা ফেষ্টিবেল য়াওনবা ক্বালিফাইং হায়গদ্রা স্কৃনিং তৌরে হায়রি।

অসুম্না চহী ৪৪ গী নুপী লীলাগী ঈচেল চেন্থরক্লি। লাকচনিংলিবা ৰাফমদি- কুমজা ২০২০গী নুপী লীলা কাংলুপকী ষ্টেট কলা একাদেমিনা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা পাঙথোকপা ফেষ্টিবেলদা অহানবা মফম কনখিবা কংজাবি মৈতৈ চনু আর্টিস কম দ্রমা এসোসিএসনগী “সনা খিং খিং ঙানবা” লীলা অসিগী নুপী ডাইরেক্টর এস মুক্তাবলি লৈমা বেষ্ট ডাইরেক্টর, লীলা অসিগী স্কৃপ রাইতর এস সামুঙৌ বেষ্ট স্কৃপ রাইতর; কুম্মৈ অসিগী বেষ্ট সপ্পোর্টিং এক্ট্রেস, ইয়েলৈমা, লীলারোই, অইবা ডাইরেক্টর, অহুম অসিগী নুংঙায়বা মীৎকুপ অমদা ঙাওরুবদগী ৰারেং অসিগী হৌরকফম ওই। কংজাবি মৈতৈ চনু আর্টিস কম দ্রমা এসোসিএসন কুমজা ১৯৮৫দা খ্বাই নাগা মপাল কংজাবী লৈরক্তা শাফোংলকখি। মসিবু পোমহনলকখিবী, লৈশাৎ তমহনলকখিবী, ঈশৈ, জগোয় থিয়েটর, পার্ফোমিং আর্টতা ঙাওজরকখিবী কুম অসিগী অহানবা মফম কনখিবা সনা খিং খিং ঙানবগী নুপী ডাইরেক্টর খুন্দ্রাকপম নিংঙোল সলাম ওংবী মুক্তাবলি লৈমনি। ঙসিগীনা ডারেক্টর, ঙরাংগীনা এক্টর, দান্সর থিয়েটর আর্টিসনি। মহাক্কী লীলা খোঙচৎতা বেষ্ট এক্টর ২১ রক ফংখ্রে। মতমসিগী মনুংদা লনাই ওইনা কথক অমদি ভারত নাত্যম সাউথ ইন্দিয়াগী জগোয় অনীসি তম্লকখি। ঙসিসু ফজনা শাবসু তম্বীবসু ঙম্লি। পামজনা তৌজরকপা, হোৎনজরকপদুনা ওইবা তাই কলা কলচরগা মরী লৈনবা থবক তৌবদা মগুন অমা অদুম য়াওরি । মদাও য়াদবনি হায়। সোং এন্দ দ্রামা দিভিজন ইম্ফাল সেন্টরদা চহী ১০ (তরা) কেজ্যুএল আর্টিস ওইরকই, খুদোংচাবা ফংহৌদে। পামজখিবা, হৈজখিবা, তৌজখিবা কয়াগা হায়রুরবদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমদা লৈফম থোকপনি ঙসিদি মতমদু হৌখ্রে । নীংশিলকই এস শামুঙৌ বেষ্ট স্কৃপ রাইতরনা অয়াম্বা ফোকতা খূৎ থাই। থিয়েটরদা পব্লিক থিয়েটর নম্বোল, ওল ইন্দিয়া দ্রামা কম্পিটিসন সোং এন্দ দ্রামা দিভিজন গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া মণিপুর ব্রাঞ্চ কাঙলুপশিং অসিনা অয়াম্বা শীজিন্নখি হায়রি। খরা পল্লপবদা লোয়কুম লোয়কাবা, লৈ লাংবা, খুয়োল হাওবা, খোয়ুম হৈরু, কাও ফাবা, সনা খিং খিং ঙানবা। সোসল প্লেদা থাজা মানা তাবদা, নুপী থৌদাং, রোমা, মাঞ্জা হোইতেদ, এলবম নমখিনি। ৰাহং অমদা ওজা অসিনা হায়, - ঐখোয়গী মৈতৈ নুপীশিংসি থিয়েটরদা, ফিল্মদা, স্পোর্টসতা হীরম কয়াদা মতিং থোক্লা মথৌ পাঙথোকপগী মীয়াম্না খঙই । অদুবু শুমাং কুম্মৈদদি ফুদোকপা ইয়ৌ য়ৌদবগুম্মি। মসি অতৈনা নত্তে আর্ট এন্দ কলচর, ষ্টেট কলা একাদেমি অনীনা ওইগনি খল্লি। মরমদি দিপার্টমেন্ট অনীসিনা পূক্নিং থৌগৎপীদবগা লোয়ননা পৈশা থাদবীদবনি । অমনা ওজাশিংগী থৌদাং য়াওদবা নত্রগদি মরম লৈতে নিংথিনা তাকপী তম্বীরগবু করিগী হৈরোইদৌরিবা মৈতৈ নুপী ঙাক্তনি কৈনো। থৰায় য়াওজনবু হোৎনরি, শেৎলি চারিবা পূন্নমক অৰায়বা ঙাক্তনি। পৈশা চংই নুপা কাঙলুপ লম থোক্লা পার্ফোম তৌবসু নত্তে । ফেষ্টিবেল অমুক য়াওরুরগা লোয়রে। করিগুম্বা এলাহবাদতা, কতকতা উৎলুবদুসু প্রদক্সন কোট মতিক চানা পীবা নত্তে। অসিগুম্বসিনসু ইন্টরেষ্ট মাঙবগী মওং লৈ, অসুম্নসু তম্লকই। ফোকতা হেন্না চংশিলুরিবসি মীরোল অসিনা ইপু পুরোন লমখৈ ঙাকলম্বা মৈতৈ খুন্নাইনা থম্বীরম্বনি হায়বা তাই। নীংশিবা ৰাৎলবনি খরা লৈরবদি হৌরকফমফাও কাউরক্লনি। মরম অদুনা অনৌবা মীরোলশিংদা পারি পুরি তাকপা ৰারী লিরিবনি খল্লগা অসোমদা চংশিঞ্জবনি। এস ইয়েল লৈমা বেষ্ট সপোর্টিং এক্ট্রেস চহী ২৪/২৫ মুক শুরম্লনি । য়াম্না ঙন্না চাইল্ড আর্টিস ওইরকই। সাইন্স গ্রেজ্যুএটনি । সবজেক্টকা বেষ্ট সপোর্টিং এক্ট্রেস তারিবসিগা য়াম্না চান্নদে হায়বা য়াবা ৰাফমদি নত্তে। অফাওবা হ্যুমেন ডাক্টর কবি ওইবা শৈরেং ইবা লৈ, ইন্দিয়াগী মমীং লৈবা পোলিটিসিয়ান অতল বীহারি বাজপায় কবিনি। ইয়েল লৈমা জগোয় শাবসু হৈ করিগুম্বদসু শাই, থিয়েটরগী নোলেজ এক্ট তৌবসু ঙম্মি। তেল্লি প্লে অমা অনীদসু এক্ট তৌখ্রে। মানা হায়দোরকপা, ঙাওথোরকপদা খঙই “আর্ট ফোর আর্ট সেক” হায়বদু নত্রবসু পূক্নিং চংনা তৌরবা তম্লবা অদুম য়াবা জাৎনি। মাগী ইমানা থিয়েটর জগোয় পার্ফোমিং আর্ট তৌবসি লৌশিং হেক তারকপদগী উরক্লুবনি অদুনা লায়না থোকই, অদুগা মনা ফংবা য়াই হায়বসিদি খনখিবা লৈতে।

করিগুম্বদা য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোক ৰাথোক লৈ য়াবীয়ু। মতম খরা নুমিৎ উদবা, থা উদবা লৈ। মখোয়গী খোঙচৎতা সেকেন্দ খরা মতম খেন্নখিবগী মরুম তাখিবনি ইতৎ তত্তনা থোক্তে। মালেম্না শকখঙবা ঈকায় খুম্নবা থিয়েটর পুঙবা হজবেন্দ এন্দ ৰাইফনি ঠিয়েটর গুরু কহ্নায়লাল ইমা সাবিত্রি অতাঙবা ফেমিলিনি। অসুম্না মালেম থাক্কী পোৎথোক নৎত্রবসু ওথোরিটি অমনা পীবা টাইটলনি। বেষ্ট ডাইরেক্টর, বেষ্ট স্কৃপ রাইটর, বেষ্ট সপ্পোর্টিং এক্ট্রেস, ফেমিলি অমগী মীওই ঙাক্তনি সলাম শামুঙৌ, সলাম মুক্তাবলি, সলাম ইয়েলৈমা চনু। ●

# য়াওশঙ কুম্মৈগী তান্থাদা জগোয়গী খূৎথেক, ঈশৈগী খূশক, শান্নবগী খোঙ্গাও, মাইক্রোফোনগী খোল্লাউ, কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ

**- দা. এন জি মঙ্গি -**

য়াওশঙ ফেষ্টিবেল অমসুং য়াওশঙ স্পোর্টস ফেষ্টিবেল অনীমক উচিন-নাচিন্না লোইশিনখ্রে। ফেষ্টিবেল অনী অসি পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা হায়নীংবা কয়া লৈনা নুংঙাইখ্রে। লোইখ্রবা মতুংদনা হায়নীংঙাই অমুক লৈতনা নুংঙাইখ্রে। উন-ৰাইমুক চিক্লে, মীৎ-না চিকপসু ফখ্রে, নাকোং শিংজা য়ৈবসু ফখ্রে। ফাদোক-শঙদগী থাদোরকপা ফাদোকশিংনা নুংঙাইবগুম য়ূমদগী চথোকপদা কয়াদি নুংঙাইরে। কুম্মৈ অসিগা মরী লৈননা থেংনজরুবা, তাজরুবা পাউদম খরবু তমজগে।

হাওসিগী টিকেট য়োনবা, শেল মুনবা, শেল খায়বা করিগীনো হংলুবদা য়াওশঙ স্পোর্টসকীনি, থাবল চোংনবনি, য়াওশঙগী চাক-চানদোইনি হায়বা খুখুম ঙাক্তা ওইনা তৌই। লাইদা কৎনবনিদি ইহায় হায়নদে। লাইনীং-লাইশোলগা মরী লৈনবা য়াকাইরোল অমত্তা তাবা ফংদে। কংলা লানবন্দগী লম্বী সরক থন্না লাউ-খোংবগা লোয়ননা মৈরা লৌববুদি চৎনরি। নুংশিবা শুরগী য়াওশঙগী য়াকাইরোল শকপগী মহুত্তা, পুকচেল চাউবা দোনরশিংগী মিং, দোনেসনগী শেনফম অমদি থাগৎ ৰাহৈ কয়ানা হৌনবী সুর পান্দুনা থৌরমগী য়াকাইরোলগুম শৈরেং ওইনা থিদরকই।

য়াওশঙ থা মনুংদা লম্বী-সরক, লৈরক-খুল্লক্তা লাউ-খোংদুনা গ্রোং-গ্রোং চেন্নবগী খোঞ্জেলবু তারবা অবের তৈনবা, শেল মুনবা হৌনখ্রে অদুগা য়াওশঙ ফেষ্টিবেলসু হৌখ্রে হায়বদু তাকই। মসিগী নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা ‘য়োর লকি নম্বর’ গী খোঞ্জেল তারগনা য়াওশঙগী জ্বার হৌনরে হায়বা তাকই। ইন-আউটকী খোঞ্জেল তারগনা য়াওশঙগী স্পোর্টস ফেষ্টিবেল হৌখ্রে হায়বা খঙই। অদুগা খৎন-চৈনবগী তাহৈদবা খোঞ্জেল তারগনা য়াওশঙ কুম্মৈগী য়ু থক্কায়নরে হায়বা খঙবা ঙমই। ধোন-ধুলোক মখোল তারগনা লৈকায়দা হোলি পালা য়ৌরক্লে তাকই। য়াওশঙ নুমিৎ ৩নি শুরবা মতুং ফাওবা ষ্টাফ মশীং য়াম্না ৰাৎনা ওফিসতা লৈরম্লগদি য়াওশঙ কুম্মৈ পেনবা নাইদনা চত্থরি তাকই। অসিনচিংবা খরা অসি খঙজিনবা য়াবা য়াওশঙ মনুংগী মতৌ-মরাংনি।

য়াওশঙ কুম্মৈগী হৌরক ৰারী অমসুং নুংগী ৰাহন্থোক ইখঙ-খঙনদনা য়াওশঙ স্পোর্টস ফেষ্টিবেল অমগা হেক্তা ফাংজিন্নহন্দুনা মুথৎনবা নৎত্রগা মশক থিহন্নবা হোৎনবা হায়বসি মীতৈ ঐখোয়গী অমসুং অপূনবা মণিপুরগী লাইবক থীবনি। শেল মুনবা, আবের তৈনবা, মচু শঙবা ঈশিং হৈজিন-কাপশিন্নবা, পোৎ চৈ হুরান্নবা, থাবল থেংনা চোঙবা, মাইক্রোফোন হৌনা শীজিন্নবা অসিনচিংবা ওদ ওইরবা থৌওংশিং হন্থহন্দুনা থিংনবা ওইরগদি মহৈ তম্ফমশঙশিংদা নৎত্রগা য়ূম-য়ূমদা ওজাশিংনা নৎত্রগা মমা-মপা ওইবশিংনা এদ্যুকেসন পীদুনা অফ-ফত্ত খঙহন্নবগী এৱেরনেস পীরগা অদুগুম্বা মরিং-মরাংবা থৌওংশিং অদু তোকচখিনি। আবের পাওদরদা হকচাং শোক্কদবা কেমিকেলশিং য়াওই হায়নরগদি আবের অদু তৈনররোই। লমচৎ-শাজৎ ফজনবা হায়দুনা মোরেল সাইন্স সবজেক্ট ফাওবা তম্নরি। অসিগীসু মথক্তা ইম্ফাল ময়োলদা ইষ্কোল পিক্লবনা চানবা পোৎ ইথা থানদ্রে, য়োৎকী গেট ঙাক্তা পান্নরে অমসুং য়ূমগী হুই লোয়নবসু ময়াওরি। মসিনসু থৌওংশিং অদু হন্থরক্লিবনি।

য়াওশঙ কুম্মৈ অসি হৌরকফম খঙনা, নুংগী ওইবা ৰাহন্থোক লৈনা লাইগী থৌরমগা লোয়ননা পরম চুম্না হরাও-তয়ামগীসু ওইবা পূক্নিং ৰাখলদা তেন্সন কারোয়দবা অদুগা শুপ্পতগী নুমিৎ নীনিদা পাঙথোকপা য়াবা কম্মৈ ওইহনসি হায়রগদি লাইগী থৌরম লোইরগা থাবল চোঙবা, থাবল-জগোয়, থাবল ঈশৈ - কে-ক্রে-কে-মো-মো য়াঙ্গেন শম্বা শ্যাও-শ্যাও, তোকপগা কাম্বগা, কৈগা-য়েনগা, য়েনখোং ফত্তে চাশিল্লু, লাইগী য়েন্নি চাফদে... হায়বা ঈশৈকাসু জগোয়গী তান্থাদা শকপা মচং ওইবা খরদং খনগৎলগা পাঙথোকপসু কুম্মৈ অসিগী শক্তম ঙাক্কদবা মাল্লি। য়াওশঙ হৌরকপগী অশেংবা ৰারী-পুৰারীদদি ইন-আউট, চফু থুগায়বী, মরাথন অমদি হরাও তয়াম মরক্তা পূক্নিং ৰাখলদা তেন্সন কাগদবা কুইজগুম্বা অসিনচিংবা মফম মতম অমদা তৌবা য়াবা আইটেমশিং অসি য়াওরমগদবা মান্দে। শান্ন-খোৎনবগী মথেল খরা য়াওরম্লগসু লাইগী শোয়দনবা মচং ওইবা ইন্দিজিনস মশান্না মুক্লা, ফিবুল হাবীনচিংবা শাগোন্নরকপা খরা য়াওহল্লগা য়ারবনি। য়াওশঙ ফেষ্টিবেলদা য়াওশঙ স্পোর্টস ফেষ্টিবেল অমা ফাংজিল্লিবসি ফাংজিলহন্নীংদে হায়জবনি। অসুম্না হায়না হোলি কুম্মৈসু ৰাহন্থোক লৈনা নুমিৎ ২দা লোইশিলহন্নীংই।

তশেংনা ওলিম্পিয়ন পুথোক্লবগী স্পোর্টস স্পিরিট হাপ্পবনি হায়রগদি লাই হরাওবা, চৈরাওবা, সঙাই ফেষ্টিবেল, ইদ, খৃষ্টমাস অসিনচিংবা কুম্মৈশিংদসু মথেল অমা ওইনা হাপচিনবদা করি অকায়বা লৈগনি। য়াওশঙ স্পোর্টস ফেষ্টিবেল নুমিৎ ৫নিগী মনুংদা লোকল ক্লব খরদা গেমস এন্দ স্পোর্টসকী য়াম্না ষ্ট্রিক ওইবা চৎন-কাঙলোনশিং ইয়াও য়াওদবমখৈ অমদি মশান্না অমা ওইজবগী মেরিটতি লৈজবা, নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনল থাক্তদি চন্নদবা, ইন্টরটেনমেন্টলা স্পোর্টিং ইভেন্টলা হায়ফম খঙদবা সব ষ্টেন্দর্দ ওইবা শিংজু আইটেম ময়াম অমা শেমজিন-শাজিনবা চৎন-কাঙলোন শীজিন্নদুনা পাঙথোক্লরি। তৌথোক্লরক্লিবা য়াওশঙ স্পোর্টসকী কৈদা-লক্তা অসিনা করম্না চৎন-কাঙলোন চুম্না স্পোর্টিং-স্পিরিট হাপকদৌরিবনো? গ্রাসরুট লেভেলদগী শেরান-তুরান্না স্পিরিট অদু হাপখ্রগদি নৌরিবা শান্নরোয়শিং অদু শেরান-তুরান ওইনা চৎখ্রগনি। মদুগী মহুত্তা স্কুল, কোলেজ নৎত্রগা অশেংবা স্পোর্টস ক্লব অমদা স্পোর্টসকী ওজাশিংনা তাকপী-তম্বীবনা হেন্না কাঙলোন চুমগনি। মদুৰাইদা ইরায় লায়না টেলেন্ট হন্ট তৌবসু য়াগনি। অদু নত্তনা, নুমিৎ মঙানিদা পাঙথোক্লরিবা য়াওশঙ স্পোর্টসকী কৈদাশিং অসিনা মণিপুরগী পৈথরক্লিবা স্পোর্টসকী পৱার হাওস অসি চুমথোকপা ঙমগদ্রা? সাইন্টিফিক স্পোর্টস ৱর্ল্ড অসিদদি পংতৌ তৌশিন্না শান্নবনদি করিমত্তা কান্নরোই। অদুনা শান্ন-খোৎননবা হায়বসি অরায়বা থবক নত্তে মীনম শনবা য়াবা নত্তে হায়বসি খঙমিন্নবা ফৈ। অদুগা তঙাইফদনা য়াওশঙ স্পোর্টস ফেষ্টিবেল পাঙথোকসি হায়রগনা ইন্টর ক্লবশিংগী কম্পিটিসন ওইনা মফম চাবা খুমন-লম্পাক্লুম্বদা পাঙথোক্লবদি শান্নরোয়শিংগী অমসুং ক্লবশিংগী মগুন খঙনগদবনি।

ইম্ফাল ময়োলদদি মশীং য়াম্বা অপিক-অপিকপা লৈকায়শিংদা চগুংননা লৈনবনিনা লোকল ক্লবশিংসু চগুংননা য়াম্না নকপা ফুটশিং খরগী রেঞ্জদা লৈনবা ঙাক্তনি। অসিনা মরম ওইরগা মতম শাংনা চত্থরকপা য়াওশঙ স্পোর্টস ফেষ্টিবেলগুম্বদদি মাইক্রোফোনদগী লাওরকপা শুপ্পতগী ‘হল্লো-হল্লো’ গী খোঞ্জেলতনা নাকোং শিংজা য়ৈরিবনি। থাবল চোঙবগা ফাংজিন্নরগদি করি হংলুরগনি! নাকোংদা লশিং মেন্দুনা খাঙবা নত্তনা অতৈ পাম্বৈ লৈতে। অমরোমদা মসি পব্লিক ন্যুসেন্স কৌই। মতম য়াম্না কুইরবগী ৰানি। ইংলেন্দগী লাকপা হ্যুমেন এনাতোমিষ্ট অমনা লেকচর পীবা মতমদা খরা হৌহন্নবা হায়দুনা ইন্দিয়াগী প্রোফেসর অমনা মাইক্রোফোন অমা লানশিল্লুবদা মহাক্না মদু শীজিন্নখিদে। চাওখৎপা লৈবাক্তদি সাউন্দ অসি অদুক্কী মতিক হন্থনা অমসুং লিক্লা শীজিন্নে। হুই ফাওবদা হৌনা অমসুং তোয়না খোংনদে হায়নরিবনি। অমনা ঈথক ঈরাংদা হেন্না ঙাওজনীংবনা, কোরোনাভাইরস কদৌজরনি হায়দুনা থাবলসু মফম খুদিংদা খূৎ নিংথিনা পায়নদুনা মায় নিংথিনা নকশিন্নদুনা চোঙনরি।

য়াওশঙগী ইন্টরটেনমেন্ট স্পিরিৎ অমসুং কলচরেল স্পোর্টিং স্পিরিট হেন্না অমুক হাপচিন্নবা য়াওশঙ কুম্মৈ অসি থা ১ চুপ্পা অমুক পাঙথোকপদা লৈবাক মীয়াম ঐখোয়দি য়াওশঙগী তান্থাদা স্পোর্টসসু অদুমক থা অমা চুপ্পা হেক্তা পাঙথোকপা ঙমগনি। তৌবতবু ইশা-ইশাগী নত্তবিদা লৈবাক্কী ওইনা নুমিৎ মঙানিগী ভেল্যুগা তৌথোক্লরক্লিবা কৈদা-লাক্তাশিং অসিগী ভেল্যুগা চানরিব্রা নৎত্রগা তোংজরিব্রা হায়বদু লৈঙাক্কী মীৎয়েংনা য়েংহন্নীংই। হৌজিক মতমগী কম্পিটিটিব ৱর্ল্ড অসিদদি চাওখৎপগী কম্পিটিসন পামজবা লৈবাকশিংদি চাওখৎ লমজেলদা নোংমতসু হালহৌনবা লম্বী অশম্বা থিরগা চেনখৎনরিবনি। মপুম ওইনা লৈবাক খুন্নাইগী য়েংবদা মমল য়াল্লবা লৈঙাক্কী নুমিৎ ৫নি অদুগী মহয় ফংলগদি অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী চাওখৎ-লমজেল তান্নবদা নুমিৎ ৫নি এদভান্স ওইরে অদুগা মহয় ফংদ্রগনা নুমিৎ ৫নি বেক চাহৌগনি হায়জবনি। মসিদি ঐখোয়গুম্বগী ৰাখল্লোননি লৈবাক্কী সোসল সাইন্টিষ্টশিংগী অকূপ্পা মীৎয়েংগী ৰাখল্লোন লৌবিয়ু। অমবু ওইরে অমবু ওইরে শেংলবা য়াওশঙ কুম্মৈ অসি নুমিৎ ২দা তেনশিল্লগদি ইফ ফরগনি।

অরোইবদা, নাকল অমদা স্পোর্টস ফেষ্টিবেলগী অয়াকপা খোল্লাউশিং নাকল অমদনা অবের তৈনবা, শেল মুনবগী, য়ুঙাওবশিংগী খোঞ্জেল অমসুং ময়ায়দা পব্লিক ন্যুসেন্সকী চৈথেং। মসিবু মীতৈ লাইনীংগী নৎত্রগা হিন্দু লাইনীংগী য়াওশঙ নৎত্রগা হোলি হায়বদুরা? ঐখোয় ফাওবা চমম্লরবা অসিনদি তুংগী মীরোলদদি কমদৌনি। হায়নীংদ্রে, পন্নীংদ্রে মতুংদদি আইটেম জাৎ-জাৎ য়াম্না হাপচিল্লকপা য়ারি। লৈঙাকসু অমুক্তা য়েংবীদুনা রিফোর্ম তৌবদা মরম চাগদ্রা হায়বদু খন্ন-নৈনবীনবা নোল্লুক্লা নীংশিংজরি। অফবা খুন্নাই শেম্বদা, অফবা ফেষ্টিবেলগী থৌদাংসু য়াম্না চাউই। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১৬

১। ঐখোয় মৈতৈগী কুম্বাবা, নিংথৌশিংগী হাক্তক্তা থোকখিবা থৌদোকশিং খঙগে হায়রবদি ‘চৈথারোল কুম্বাবা’ য়েংবা তাই। অদুবু মসি করম্বা মতমদগী লৈরক্লবগে হায়বগী মতাংদদি মত কয়া লৈরি।
(ক) অনীশুবা ইদিসনগী মতুংইন্না মসি করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তা ইবা হৌখিবগে?
(খ) অদুগা করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তগী থাগী মমিং য়াওবা হৌখিবগে?

২। “খঙহৌদনা থাবল্লেগী মিৎলু অনীদা লাইজ পিরাং ঈহৌরকখি। অঙাং অসিদি খঙলিরোই, মমাগী পুন্সি লোইশিল্লক্লে হায়বা।” পরেং অনী অসি নোংথোম্বম কুঞ্জমোহনগী ‘ওমচাক্লবা’ হায়বা ৰারীমচা অদুদগী লৌথোকপনি। ৰারীমচাদু য়াওবা মহাক্কী ৰারীমচাগী লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।

৩। “তাইঙোনা ইনখৎলকপা মতম, চহী ২৫ রোমগী পাখঙ ওইরিঙৈ, মঙোন্দগী চহী ১০ মুক হল্লমগদবী, মশক ফজরবী, পান দুকান ফম্বী অমদা ঙাওরুই।” ৰারী মতেক অসিনা নাউরোইবম সুধীরগী ৰারীমচা অমদা লীরিবনি। ৰারী মচা অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। “ইপাম লমদম লমনুংশি/নিংঙোলগী মীনুংশিদুতদি থম্বীরম্মু/অউনপোৎ তেকথবা মিহৌদে।” পরেং অহুম অসিনা মোইরাংথেম সত্যবতিগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। “চান্নবী নঙগী নাপদা/অৰাবা পাউসি তম্লিংদে/চল্লবী নঙগী থম্মোয়দা অকনবা চৈনা হাপ্পীংদে।” পরেং অহুমসি মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৰাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৰাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।